# ফেব্রুৱারিগী অরোয়বা শরুক্তা উবা ফংলগদবা মালেম ইমা প্রদক্সনগী "তৌহৈদে"



অউবা খুদিংমক অচুম্বা নত্তে, অতাবা খুদিংমক চুমলে হায়বশু লানগনি। অরেপ্পা লৈত্তবা মীওইবগী পুক্নিং ৱাখল নি। খুদিংমক মতমনা অওনবা পুরকপনি। অমরোমদনা ফাজন পুনশিন্দুনা থম্বা য়াদবা কালানি। মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা নাইবা হায়বা অসি না কালাগী মরমচৎনি। পুমশেং-শেংবা, হোংবা নাইদবা পোৎশক হায়বা অসি কালাদা থিবদা অৱাবা অমনি। অশুম্না মতম শাংনা প্রদুসর অমা ওইনা মালেম ইমা হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা থৌদাং য়াদুনা লাক্লবা টি ঐচ য়াইতোন না মাগী কালাগী খোঙচৎত্তা অহোংবা অওনবা অমা ওইনা মশামক্না শক্তমলাংবা অমা ওইনা চং শিল্লক্লি।

মালেম ইমা প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা ফিল্ম অহুম, "তাইয়োন্নারে", "থিকাদর" অমদি "সেংনা হাইয়ু" হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদা মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা মরিশুবা প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কবা শেম-শারিবা মণিপুরী ফ্যুচর ফিল্ম "তৌহৈদে" হায়রিবা ফিল্ম অসি প্রদুসর ওইনা থৌ পুরিবা টি ঐচ য়াইতোন মশামক্না হায়রিবা ফিল্ম অসিদা এক্টর অমা ওইনসু মরুওইবা কেরেক্টরদা এক্ট তৌদুনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরি। চাওরাক্না পুং অনীগা মিনিট ২০মুক শাংগদবা



মালেম ইমা প্রদক্সনগী মরিশুবা ফিল্ম ওইনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি- রেদি, সোনিয়া হিজম, টি ঐচ য়াইতোন, রতন লাই, নন্দকুমার, থোই থোই গিতানচিংবনি।

ফিল্ম অসিদা স্পেসিএল এপিয়ারেন্স ওইনা মিস দিৱা টাইটল ফংখ্রবী অরচনা কোনশমনা শরুক য়ারি। লোয়ননা চাইল্ড আর্টিষ্ট ওইনা চিংখোমবা শরুক য়ারি।

সিনাম কোম অমদি সেকমাই না মরুওইবা লোকেসনশিং ওইনা শিজিন্নরিবা ফিল্ম অসিদা হাওবম মারককী মফমশিং লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফমশিংনা মরুওইবা লোকেসনশিং ওইনা শিজিন্নরি।

মতম শাংনা প্রদুসর অমদি এক্টর অমা ওইনা লমদম অসিদা পুথোক্নরিবা দিজিটেল ফিল্মবু হিংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা য়াইতোননা ফিল্ম অসিগী য়াম্না মরুওইবা লিদিং কেরেক্টর অমদা এক্ট তৌদুনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

তৌহৈদে হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিবু মপুং ফাননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিংদি- ম্যুজিক দাইরেক্টর অমদি বেক গ্রাউন্দ ম্যুজিক স্কোরর ওইনা খাইদেম জিতেন নি। শৈশকপা অমদি শৈশকপীশিং ওইনা অরবিন, মন্দাকিনিঅমদি সুরমা না শরুক য়ারি।

মেক-অপনা রুসিয়া নি। ফিল্ম অসিদা এদিটর ওইনা অচৌবা থৌদাং য়ারিবনা দিপজয় মঙাং নি। ষ্টোরি, স্ক্রিনপ্লে রাইটর অমা ওইনা ফিল্ম অসিদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা কে ঐচ জিতেন মশানা ফিল্ম অসিগী

## ঐচ রাজেস

দাইরেক্টর গী থৌদাংসু য়ারি।

ফিল্ম অসিগী দাইরেক্ট ওফ ফোতোগ্রাফি ওইনা রেগন টি ঐচ নি। লাইট তা ব্রোজেন নি। মালেম ইমা প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মরিশুবা প্রদক্সন অসিগী প্রদুসর না টি ঐচ য়াইতোন নি।

ফিল্ম অসিদা ফুল রোমান্স সোং অমগা সেন্টিমেন্টেল সোং অমগা পুন্না সোং সেক্কুয়েন্স অনীনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী ৱার্কিং দেনা চাওরক্না নুমিৎ ২৩ নি ওইরি।

ভিএফএক্স নচিংবা ইফেক্ট অমত্তা শিজিন্নদনা অকনবা ফেমেলি, রোমান্সতা য়ুমফম ওইবা ষ্টোরিলাইন অমদা ট্রিটমেন্ট তৌদুনা অয়েংবা ভবকশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরিবা ফিল্ম অসিনা হৌজিক হৌজিক নমবা পুমলোই লোয়দুনা শগোলবন্দদা লৈবা ইথিল ষ্টুদিওদা ফাইনেল প্রোসেস চখ্নরি।

ফিল্ম অসিনা শুকশোই শোইদনা চৎলিবা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারিগী অরোইবা শরুক্তা মীয়ামদা খুদোল তম্নবা পান্দম থম্লি।

ফিল্ম অসিগী ষ্টোরিলাইন অসিনা উপায় লৈজদ্রবী মপুরোইবনা এক্সিদেন্ট অমনা মরম ওইদুনা নাদুনা ফমুংদা তাদুনা লৈরবী মৌ নহা অমনা ময়ুমদগী মপাল থোক্তুনা মশাগী ইমুং মনুংগী তঙাই ফদবা পোৎলম পুবা ঙমনবা হোৎনরকপা মতমদা থেংনবা খুদোং চাদবা এরিয়া, লোয়ননা ঙসিগী সমাজ অসিদা লৈরিবা লৈত্তবা মানবা নুপীবু হন্থনা য়েংবা মানবা অরানবা মীৎয়েং





লোয়ন-লোয়ননা ইচম চম্না উপায় লৈজদ্রবা কনাগী থম্মোয় শেংনা মতেং পাংজনিংবনা চোংথোরকপা কনাবু ঙসিগী সমাজ অসিদা লান্না উনহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী অরানবা মীৎয়েং অদুবু ময়েক শেংনা উৎননবা হোৎনরি।

লোয়ননা ষ্টোরিলাইন অসিনা পোলোইদা অচুম্বনা মায় পাকই হায়বা ৱাফম অসিনা পোলোয় ওইরিবা ফিল্ম অসিদা নৌনা ফিল্মগী লমদা খোঙদারক্লিবা য়াইতোনগী এক্টিংনা ফিদা অমা কনবা ঙমগদৌরিবরা ?

মালেম ইমা প্রদক্সন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা ৪শুবা প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কদৌরিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'তৌহৈদে' হায়রিবা ফিল্ম অসিনা করি করম্বা অনৌবা মেসেজ অমা পীগদৌরি হায়বদু শুকশোই শোইদনা ফেব্রুৱারিগী অরোইবা শরুক্তা উবা ঙংলগনি।

মতমদু ফাওবদি ৱারবসু ৱানা ঙাইমিন্নখিবা তারি ...!



# ষ্টেট অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

## হোম মেটচতা নেরোকা এফ সি মিনর্ভাগী খুত্তা গোল ১–০দা মায়থিবা নংখ্রে

Hero I-LEAGUE

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিস্তা চখ্থরক্লিবা হিরো আই লীগকী নেরোকা এফ সি সঙাকফমগী মঙাশুবা হোম মেটচ ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা এফ সি মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সিগী খুত্তা গোল ১–০দা মায়থিবা নংখ্রে।



নেরোকা এফ সি অমদি মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সি টিম অনীনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌখিবা মিনট ৩ চৎপদা মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ চেনচো গেল্টসেনা গোল ১ স্কোর তৌদুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১ মাংজিল থানা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা হোম টিম নেরোকা এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা এটেক্ট তৌরবসু মেটচকী অপিবা মতম ফাওবা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সিগী মখুত্তা গোল ১–০দা মায়থিবা নংখিবনি। মেটচ অসিগী মিনট ১৭, ২১ অমদি ৪২ চৎপদা মিনর্ভা পঞ্জাব এফ সিগী মথংসিংনা জর্সি নম্বর ১৬ কাসিম আইদারা, জর্সি নম্বর ২৪ গাই ইরিক দানো অমদি জর্সি নম্বর ১৪ আল্টমমাস সায়েদ অমসুং মিনট ৪১ চৎপদা নেরোকা এফ সিগী গোবিন সিংহ মোইরাং থেমবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

## ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০১৭

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

ক্যামগৈ য়ুথ পাইয়োনির ক্লব (কে ৱাই পি সি)না শিন্দুনা ফুটবোল টিম ১৭না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ বেসিসতা ক্যামগৈ হৈবোং মখোংদা চখ্থরকখিবা ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০১৭ ঙসি লোয়শিনখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর এফ সি খম্নাম লৈরকনা এ এফ এ থৌবালবু গোল ৪–৩দা মায়থিবা পিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী লোয়শিনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে। থৌরমদুদা কে ৱাই পি ক্লবকী প্রসিদেন্ট লোংজম সুরনজয়, ষ্টেন্দর্ট রোবার্ট হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল পিঐচ লনধোনি, এফ সি আই ইম্ফালগী এরিয়া মেনেজর এন নন্দকিশ্বর, উপাগী ফোর্ম্মর প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কে ৱাই পি ক্লবগী এদভাইজর টিঐচ নবকুমার অমদি কে ৱাই পি ক্লবকী এদভাইজরসু ওইরিবা সোসিয়েল ৱার্কর টিঐচ দোজেন্দ্রোনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

আর এফ সি খম্নাম লৈরক অমদি এ এফ এ থৌবাল টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা ঙসিগী ফাইনেল মেটচতা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা আর এফ সিগী গোল ধননজয়না মেটচকী মিনট ৬তা গোল ১, নবনা মেটচকী মিনট ৭তা গোল ১, হেরোজিৎনা মিনট ১৫দা গোল অমদি সুসিলনা মিনট ৪০ চৎপদা গোল ১গা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিদুনা রন্নর্স অপ তাখ্রবা এ এফ এ থৌবালগী গোল সুসিলনা মিনট ২ চৎপদা গোল ১, নাওবনা মিনট ২০দা গোল ১ অমদি কৃষ্ণনন্দনা মিনট ৪১ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা পিখিবা মনাদা ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০ অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০,০০০ য়াওরি।

## লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

চজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শিন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চজিং কাংজৈবুংদা চখ্থরিবা ২৯শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন এস য়ুনা মায় পাকখ্রে।

এল ৱাই এস এস য়ু অমদি এন এস য়ু টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অসিদা এন এস য়ুনা গোল ১–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এন এস য়ুগী অমত্তা ঙায়রবা গোল টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই সুরনজয়না মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা চনখি।

## অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ অল–অমীন লিলোং, পি টি আর সি পাৎসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব লংথবালনা শিন্দুনা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা, অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আল–অমীন লিলোংনা ব্লু হোক খুরাইবু রন ৫দা অমদি অনিশুবা মেটচতা পি টি আর সি পাৎসোইনা এস সি সি সি শিংজমৈবু রন ২দা মায়থিবা পিখ্রে।



ঙসিগী অহানবা মেটচতা আল–অমীন লিলোংগা ব্লু হোক খুরাইগা শান্নবদা আল–অমীননা তোচ ঙমদুনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৮ স্কোর তৌখি। স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা রসিদনা বোল ৪০দা রন ৪৪, মুজিবুরনা বোল ২৬তা রন ২৩ অমদি অবদুলাহনা বোল ১৯দা রন ১৫ লৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা ব্লু হোককী রাহুলনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২, সনাতোম্বনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমদি সন্দিপনা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোকনা অপিবা ওভর ২০দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১১৩ খক্তমক স্কোর তৌবদগী অল–অমীননা রন ৫দা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা ব্লু হোককী স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা রাহুলনা বোল ৩৫দা রন ২৪, লোকেশ্বরনা বোল ১৫দা রন ২১ অমদি ওজিনা বোল ১০দা রন ১০ লৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা অল–অমীনগী সাফৱননা ওভর ৪দা ৱিকেট ২, হবিবুলানা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ অমদি নাসিরনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা অল–অমীনগী আল–বাসীদনা বোল ৪০দা রন ৪৪ স্কোর তৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা পি টি আর সি পাৎসোইগা এস সি সি সি শিংজমৈগা শান্নবদা পি টি আর সি পাৎসোইনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১১৪ লৌদুনা এস সি সি সি শিংজমৈবু রন ২দা মায়থিবা পিখি।

পি টি আর সিগী স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা নিকোলনা বোল ২৮দা রন ২৪, জোহননা বোল ২৯দা রন ২৪ অমসুং বিদাসনা বোল ১৫দা রন ১৯ লৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা এস সি সি সি শিংজমৈগী সন্দিপনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২, কিষননা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমদি ননাওনা ওভর ৩দা ৱিকেট১ লৌবা ঙমখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা এস সি সি সি শিংজমৈনা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১২ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা ননাওনা বোল ৩১দা রন ৪০, কিষননা বোল ৩০দা রন ৩০ অমদি সন্দিপনা বোল ২০দা রন ১৭ স্কোর তৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা পি টি আর সি পাৎসোইগী দিপুনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১, প্রদিপনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ অমদি বিদাসনা ওভর ৪দা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা পি টি আর সি পাৎসোইগী বিদাসনা রন ১৯ চেনবগা লোয়ননা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখ্থরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা ত্রাউ ক্লাকৈথেলগা ৱাই দব্লিউ সি পাৎসোইগা অমদি অনিশুবা মেটচতা ৱাই এ সি য়াইস্কুলগা পি এস সি খুয়াথোংগা শান্নরগনি।

## অহানবা নুঙ্গোই কপ সভেন এ–সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট সৈজাং এফ সি, ই য়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ঃ

নুঙ্গোই ফুটবোল ক্লবনা শিন্দুনা নুঙ্গোই মখা প্লে গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা অহানবা নুঙ্গোই কপ–সেভেন এ–সাইদ লল্লাই কেন্দ্র এন্দ ইনভাইটেসন কেজি ৫২ মেন ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ২দা সৈজাং এফ সি সৈজাং অমদি কমাং খুনজাও ই য়ু সি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচা সৈজাং এফ সি সৈজাং অমদি ইমোইনু এফ সি লৌশাংখোং টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা সৈজাং এফ সিনা গোল ৪–১দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা সৈজাং এফ সিগী এম মিনেকেতননা মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা গোল ১, এল লক্ষমননা মিনট ২২ চৎপদা গোল ১ অমদি এম রস্তমনা মেটচকী মিনট ২৯ অমসুং ৩০ চৎপদা গোল ২ অমগা চনখি।

মায়থিহৌরবা ইমোইনু এফ সিগী অমত্তা ঙায়রবা গোল ঐচ থোইথোইনা মেটচকী মিনট ৬ চৎপদা চনখি।

অনিশুবা মেটচতা কমাং খুনজাও ই য়ু সি অমদি জি ৱাই টি এস য়াইঙং পোকপি টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা কমাং খুনজাও ই য়ু সিনা গোল ২–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা কমাং খুনজাও ই য়ু সিগী গোল দব্লিউ নাওবিকেননা মেটচকী মিনট ১৪ চৎপদা গোল ১ অমদি পিঐচ রাজুনা মিনট ১৮ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*